**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20-02-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরগী চীং অমসুং তমপাক্কী মফমশিংদা আইন কায়না পায়রিবা খুৎলায়শিং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা পীখৎলকবা খঙহল্লি।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ময়াং ইম্ফালগী ফার্ম অমদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

৩) চহি ৩০ গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা নোন-কম্ম্যুনিকেবল দিজিজশিং লৈব্রা খঙদোকবা ইন্তেন্সিফাইদ স্পেসিয়েল স্ক্রিনিংগী থৌরম ঙসিদগী হৌখ্রে।

৪) বি.জে.পি লুচিংবী রেখা গুপ্ত ঙসি দেল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। মহাকপু উপ-রাজ্যপাল ভি.কে সক্সেনানা থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি।

অমসুং

৫) বি.এস.এফ অমীস বোর্দর গার্দ বঙ্গলাদেশকী ওইবা ৫৫ শুবা দিরেক্তর জেনেরেল থাক্কী বোর্দর কোওর্দিনেসন কনফরেন্স ঙসি নিউ দিল্লিদা লোইশিনখ্রে।

------

গর্ভনর (এল)ঃ মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আহন কায়না পায়রিবা খুৎলায়শিং অথুবা মতমদা সরকারদা পীখৎলকবা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা আপীল তৌরি।

রাজ্যগী দি.আই.পি.আরনা থাদোরকপা রাজ্যপালগী আপীলগী চেরোল অসিনা হায়- পুলিস ষ্টেসনশিংদগী নমদুনা লৌখিবা খুৎলায়শিং য়াওনা আইন কায়না পায়রিবা খুৎলায়শিং মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসন, আউট পোষ্ট নত্রগা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কেম্পশিংদা ঙসিদগী পারগা নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা পীশিল্লক্কদবনি। মসি রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা পায়খৎলকপা খোঙথাংনি। মশানা খঙনা খুৎশু খুৎলায়শিং পীখৎলকপা মীওইশিংদা আইনগী ওইবা চৈরাক পীনবা থবক অমত্তা লৌখৎলোই। নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা খুৎলায়শিং পীখৎলক্তনা অদুমক খুৎলায়শিং অদু শিজিন্নদুনা লৈরবদি মখোয়গী মথক্তা সরকারনা মতিক চাবা থবক লৌখৎকনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- সরকারনা মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা থৌরাং কয়া পায়খৎপগা লোয়ননা তুংগী য়ুম্বিরেল ওইরক্কদৌরিবা নহাশিংবু ঙাক শেন্নবা অকনবা থবক লৌখৎলে। রাজ্য অসিদা ঐখোয় মশেল থাজনবা থমদুনা হেন্না ফবা রাজ্য অমা ওইননবা হোৎনমিন্নশি। পুমমকা শান্তি লৈনবা হোৎনমিন্নশি হায়নসু ফোংদোক্লি।

এরেষ্ট (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন য়াংবী শগাইশাবী ফার্মদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়- অককবা পাউ ফংবদগী হায়রিবা মফম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা খুৎশু খুৎলায়শিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। ফাগৎলবা খুৎশু খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা- সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী স্নাইপর রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অনি, এস.বি.বি.এল অমা, এম.এ-থ্রি এম.কে-টু অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী মরু অহুম, থ্রি নোট থ্রি রাইফলগী মরু মরি, ফাইভ পোইন্ট ফাইভ সিক্স এম.এম ইন্সাসকী মরু অহুম, নাইন এম.এম মরু মরি, হেন্দ গ্রেনেদ অনি য়াওনা অতৈ পোকখায়বা য়াবা পোৎলমশিং ফাগৎখি। ফাগৎলবা খুৎশু খুৎলায়শিং অদু ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী ও.সিদা মখা তাবা থবক লৌখৎনবগীদমক শিন্নখ্রে।

অমরোমদা, ৫ শুবা শিখ রেজিমেন্টনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী বিষ্ণুপুর এস.পিগী লুমজিং মখাদা বিষ্ণুপুর পুলিস, মোইরাং পুলিস, ৫ শুবা শিখ রেজিমেন্ট অমসুং অনিসুবা মহার রেজিমেন্টকী অপুনবা কাংবু অমনা মোইরাং কিয়াম লৈকাইদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা থিবা হুন্নবগী থবক চখখ্রে। মদুদা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.ৱাই.কে.এলগী কাদর ১৩ ফাগৎখি। মখোয়দগী তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়াসু ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা মীওইশিং অদু মখা তাবা থবক লৌখৎনবগীদমক মোইরাং পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

মৈ (এল)ঃ এম.এস.পি.দি.সি.এলগী ওফিসার অমদি ষ্টাফশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা দ্রাইভ চখবদা মৈ লান্না শিজিন্নরম্বা কঞ্জ্যুমর ৩১ ফাগৎখ্রে। মসিগা লোয়ননা কঞ্জ্যুমর ১৫ গী মৈ ককথৎখ্রে হায়রি।

এম.এস.পি.দি.সি.এলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- দ্রাইভ অসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু মখা তানা চখখিগনি।

থৌবাল (এল)ঃ ২০১৭ কী কমিতি ওফ ওল মণিপুর ইলেক্টেদ পি.আর.আইগী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা চার্টর দিমান্দ ৬ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। উন্নবা অদুদা হৌজিক রাজ্য অসিগী পি.আর.আইশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহনবিনবসু হায়জখি। মখা তানা মীহুৎ কাংবু অদুনা হৌজিক রাজ্য অসিদা ওইরিবা পঞ্চায়টকী মতাংদসু রাজ্যপালগা কুপা ৱারী শান্নখি।

কমিতি অসিগী মাইকৈদগী পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা থা ২৭ পঞ্চায়টকী মীখল পাঙথোক্তবা, মণিপুরদা পঞ্চায়াতি রাজ এক্ট ২০২৩ মপুং ফানা চৎনহনদবা, তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী ফন্দ চাং নাইনা থাদোক্তবা, থা ২৭ অসিদা গ্রাম সভা পাঙথোক্তবা অসিনচিংবা য়াওরি। রাজ্যপালগী মাইকৈদগীসু মীহুৎ কাংবু অদুদা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎকনি হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়রি।

স্ক্রিনিং (এল)ঃ  কেন্দ্র সরকারগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রালয়গী মখাদা চহি ৩০ গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংগী ওইনা শোক-শমবদা লৌনদবা লায়নাশিং নাব্রা হায়বদু খঙদোকবা অখন্ননা পাক শন্না চাংয়েং তৌবগী থৌরম ঙসি লাঙ্গোলগী তরুংদা লৈবা অপ্পর প্রাইমারি হেলথ সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট নোন-কম্ম্যুনিকেবল দিজিজ সেল ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিনবনি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না লৈবাক অসিগী রাজ্য পুম্বদা চহি ৩০ গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংদা নোন-কম্ম্যুনিকেবল দিজিজশিং লৈব্রা হায়বদু খঙদোকবা হোৎনগনি। চাংয়েং তৌবগী থবক মথং থাগী ৩১ ফাওবা চগুগনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা মোংশাংগৈ অমসুং ইরোশেম্বদা লৈবা হেলথ সেন্তরশিংদসু থৌরম অসি পাঙথোকখি।

প্রোগ্রাম-৩ (এল)ঃ  বেতি বচাও, বেতি পরাও স্কিমগী মনুং চন্না নুপীশিংদা থাগী খোংকাপ লাকপদা তরু তনান্না লৈননবা, নুপী অমদি অঙাংশিংগী তেংবাংগীদমক টেলিফোনগী খুথাংদা থম্লিবা তেংবাং নম্বর, মীরোল্লিঙৈ মতমদা নুপা নুপী খঙদোকবা হোৎনবগী মায়োক্তা লৈরিবা চৎন কাংলোনশিং হায়বসিদা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমা চান্দেলদা লৈবা মোন্সাং পন্থা ভিলেজ কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেল অমসুং আই.সি.দি.এস সেল চান্দেল অনি পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি। থৌরম অদুদা নুপীশিংগী ওইনা সেনিটরি পেদ য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা মফম অদুগী অকোইবদা উ চারা কয়াসু থাখি।

থৌরম অসি থৌবাল জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসার আই.সি.দি.এস সেল থৌবালনা শিন্দুনা মালোম মমাং খোইরোম সেক্তরদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা নুপীগী তেংবাংগীদমক হাংদোক্লিবা টোল ফ্রি নম্বর ১৮১ গী কান্নবশিংগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। থৌরম অদুদা ইনখৎলক্লিবী নুপীমচা ১০১ য়াওনা পুন্না মীওই ১৫০ রোম শরুক য়াখি।

দিস্কসন (এল)ঃ সোসিয়েল জষ্টিস ডে ২০২৫ অমসুং নাসা মুক্ত ভারত অভিয়ান কেম্পেন ২০২৪-২৫ গী শরুক অমা ওইনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শিজিন্নবনা থোকহল্লকপা সমস্যশিং অমদি মসিনা খুন্নাইদা পীরিবা চৈথেং হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা তমেংলোং কলেজগী মল্টিপরপজ হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু তমেংলোং কলেজ, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগনা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি। থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী ভাইস প্রিন্সিপাল, ওজাশিং অমসুং মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

লেকচর (এল)ঃ স্কুল তম্লিবা মহৈরোইশিংদা ঐখোয় অমত্তনি অমসুং ঐখোয় মশেলগী মরক্তা খেন্নবা লৈতে হায়বগী ৱাখল্লোন য়োকখৎনবগী পান্দমদা ভারত লান্মীনা শিন্দুনা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমা উখ্রুল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা মংকোটকী চেপুদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধি হিল ফ্লৱার স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু খুন্নাইদা অনেম অৱাং খায়দবা অমদি মীপুম খুদিংদা ফংফম থোকপা কান্নবশিং হায়বা হিরমদা পাঙথোকপনি। তুংদা, মহৈরোইশিংগী ওইনা হকশেলগা মরী লৈননা হকশেলগী চাংয়েং অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা পুন্না মহৈরোই ৫০ হেনবনা শরুক য়াখি।

জিরিবাম (এল)ঃ বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস টেনগী পরিক্ষা জিরিবাম জিলাদসু মপুং ফানা পাঙথোক্লি।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীনা হায়- জিরিবাম জিলাগী ওইনা বোরোবেক্রা সব-দিভিজন য়াওনা পরিক্ষা সেন্তর অহুমদা পুন্না মহৈরোই ৫৩১ গী মনুংদা ৫২৫ না অহৌবা নুমিত্তা পরিক্ষা থাখি। পরিক্ষা অসিদা জিলা অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মহৈরোই লুপশিংনা অরানবা পাম্বৈ শিজিন্নদনবা কুপা য়েংশিনখি। লোয়ননা জেদ.ই.ওশিংগী মাইকৈদগীসু পরিক্ষা অসিবু তেক্তা কায়দনা পাঙথোকবা কন্না হোৎনরি।

ৱাশক ঃ বি.জে.পি লুচিংবী রেখা গুপ্ত ঙসি দেল্লিগী অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুংদা দেল্লিগী রামলিলা মৈদানদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা উপ-রাজ্যপাল ভি.কে সক্সেনানা মহাকপু থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখি। শ্রীমতি রেখা গুপ্তগা লোয়ননা কেবিনেট মন্ত্রি তরুক ৱাশক লৌখি।

থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ অমসুং ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ শরুক য়াগনি। থৌরম অদু য়াওনবা রাজ্য ২০ লোমগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং উপ মুখ্য মন্ত্রিশিং শরুক য়াখি।

রেখা গুপ্তা, দিল্লিগী মরিশুবা নুপী মুখ্য মন্ত্রিনি অদুগা বি.জে.পিগীনা অনিশুবা নুপী মুখ্য মন্ত্রিনি।

ন্যু দিল্লিদা ঙরাং নুমিদাং পাঙথোকখিবা দিল্লি বি.জে.পি. লেজিসলেচর পার্টিগী মীফমনা মহাকপু অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা লাউথোকখিবনি। মহাকা উপ রাজ্যপাল-বিনোয় কুমার সকসেনাগা রাজ নিৱাসতা উন্নদুনা অনৌবা সরকার শেমবা দাবী তৌখি।

শ্রীমতি রেখা গুপ্তানা বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংবু মঙোন্দা মুখ্য মন্ত্রিগী দায়ত্ব শিন্নবীবা অদুগীদমক থাগৎপা ফোংদোক্লি। মহাকা দিল্লিগী মীয়ামগী য়াইফনবা অমসুং চাউখৎনবা পুকচেল তিংনা কৎথোকপগা লোয়ননা হোৎনগনি হায়না ৱাশকলি।

শ্রীমতি রেখা গুপ্তনা দিল্লিগী অনৌবা মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ৱাশক লৌবদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- শ্রীমতি গুপ্তা রাজনীতিগী লমদা মশক নাইবা লুচিংবী অমনি। মহাক্কী লুচিং মখাদা দিল্লিগী ওইনা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া অঙম্বা থাক্তা পায়খৎলক্কনি হায়না প্রধান মন্ত্রিনা অচেৎপা থাজবা ফোংদোকখি।

বিএসএফ ঃ বোর্দর সেক্যুরিতি ফোর্স (বি.এস.এফ) অমসুং বোর্দর গার্দ বঙ্গলাদেশ (বি.জি.বি)গী ওইবা ৫৫ শুবা দিরেক্তর জেনেরেল থাক্কী বোর্দর কোওর্দিনেসন কনফরেন্স ঙসি নিউ দিল্লিদা লোইশিনখ্রে। কনফরেন্স অদুদা

ঙমখৈ লান্না নারোনদা চংশিল্লকপা, ঙমখৈগী লোন্নবা মফমশিংদা চখুরক্লিবা হিংশাগী থৌওংশিং, ঙমখৈ শন্বল খায়বা য়াওনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াগী মতাংদা লৈবাক অনিনা কুপা খন্নখি।

কনফরেন্স অসি লোইশিল্লবা মতুং পাউমীশিংগা উন্নবদা বি.এস.এফকী দিরেক্তর জেনেরেল- দলিত সিংহ চৌধরিনা হায়- মমাং চহিগী ওগষ্ট ৫ দগী ইন্দো-বঙ্গলা ঙমখৈ পরিংদা ঙমখৈ লান্না নারোলদা চংশিল্লকপগী চাং হন্থহনবা ঙমলে। মহাকা হায়- ষ্টেট ওফ দি আর্থ সার্ভিলেন্স সিষ্টেমশিং থম্বগা লোয়ননা ঙমখৈ পরিংদা লৈরিবা সার্ভিলেন্স মেকানিজমশিং মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙমলে। লোয়ননা আইন্না য়াদবা থবক থৌওংশিং চখুরকপগী মতাংদসু কুপা য়েংশিল্লি।

পাইলোত ঃ কেন্দ্রগী সিভিল এভিএসন মন্ত্রি কে. রাম মোহন নাইদুনা পাইলোতশিংগী ওইনা ইলেক্ট্রিক পার্সনেল লাইসেন্স (ই.পি.এল) ঙসি নিউ দিল্লিদা হৌদোকখ্রে। ই.পি.এলগী মতেংনা পাইলোতশিংনা মশা মশাগী লাইসেন্স তান্থোকপা অমদি লাইসেন্স রিন্যু তৌবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা পাউমীশিংগা উন্নবদা মন্ত্রিনা হায়- পাইলোতশিংগীদমক ই.পি.এল হৌদোকপা অসি মালেমগী মনুংদা ভারতনা অনিসুবা লৈবাক ওইরি। মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- পাইলোতশিংদা ই.পি.এলগী খুদোংচাবা ফংহনবা ঙম্লকপা অসি দিজিতেলগী লমদা অচৌবা অওনবা অমা পুরকপা ঙম্বনি। মন্ত্রিনা হায়- সিভিল এভিএসন মন্ত্রালয়গী মীৎয়েং মখাদা এভিএসন, এয়ারপোর্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা অনৌবা টেকেনোলোজি শিজিন্নদুনা অওনবা পুরকবগী মীৎয়েং থল্লি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

বোল (এল)ঃ ১০ শুবা সেক্তর অসাম রাইফলসকী ব্রিগেদিয়ার সন্দিপ সিংহনা মেজর বোব খথিং রালেংনাউ স্পোর্টস তুরনামেন্ট ঙসি উখ্রুলগী ঐচ.কিউ.আর গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে। তুরনামেন্ট অসিদা নুপা অমসুং নুপীগী ফুটবোল অমসুং

ভোল্লিবোল তুরনামেন্টশিং পাঙথোক্কনি।

তুরনামেন্ট অসি মেজর বোব খথিং রালেংনাউনা ইং ১৯৫১ অরুনাচল প্রদেশকী তৱাংবু ভারতকী এদমিনিষ্ট্রেসন মখাদা থমবা হোৎনবদা লৌরন্বা থৌদাং কয়াবু শিংথানদুনা ভারত সরকারগী মখাদা চহি খুদিংগী ওইনা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি। তুরনামেন্ট অসি মথং থাগী ১ দা লোইশিনগনি।

ফুটবোল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা ইশোক ফুটবোল ক্লবনা শিনবা অনিশুবা ঐচ. পান্থোইবী দেবী এন্দ ঐচ. তোম্বা সিংহ মেমোরিএল অন্দর থারতিন বোইজ ফুটবোল লিগকী ঙসি ইশোক প্লে গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্তরনা টাইদাবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুনাইতেদ ফুটবোল ক্লব বিষ্ণুপুরনা খুনফম য়ুথ ভোলুন্তরি ওর্গনাইজেসন এন্দ সোসিয়েল ৱেলফ্যার সেন্তরবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ  ক্যামগৈ য়ুথ পাইওনিয়র ক্লবনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা ১৩ শুবা খাগেন্বা ফুটবোল ত্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কিক মাষ্টরনা ও.দি.এল ষ্টারবু পেনালতি সুট আউটতা পাঞ্জল ৬-৪ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা গোল্ডন এফ.সিনা আই.পি.এস-এফ.সিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

ক্রিকেট(এল)ঃ মরিশুবা এম.এন.সি.এ. অন্দর ফোরটিন টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গা ঙসি শান্নখিবা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা কে.এস.দি.ও ক্যামগৈনা পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্ট থ্রিবু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা প্রি-ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা এন.সি.এ নম্বোলনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি ললাম্বুং মখোঙবু রন ১০১ দা থোইখি।

৯ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু প্রলহাদা এন্দ ডব্লিয়ু রামান্দা ইলিট

টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ত্রাউ ক্বাকৈথেলবু ৰিকেট ২ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট(এল)ঃ ১২ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে.সি.সি. কোংবনা চেম্প খাগেমপল্লিবু ৰিকেট অহুমদা থোইখি। তুরনামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা রিজ নাগামপালনা এস.এন.সি শঙাইপ্রৌবু রন ৫৩ দা থোইখি।

------